# হিরো আই দল্লীয়ু লীগ পাঙথোরকপা অসিনা নুপী ফুটবোল্লরশিংদা অনৌবা ইথিল অমদি পীবা ঙল্লগনি খল্লি



ইরোম প্রমেশ্বরী
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

হৌজিক্তি, হিরো আই দল্লিয়ু লীগ হৌদোরকপদগী ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল্লরশিংদসু অনৌবা থৌনা অমা পোকহনবা ঙল্লে। হান্নদি নুপী শান্নরোয়শিং অসি অচৌবা শেল তাঞ্জনবা লম্বেল করিসু লৈরমদে। অদুবু, হিরো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ অসি লাকখিবদগীদি লুপা লাক্ষ খরদি তানবসু ঙম্লরে। অতোপ্পা ষ্টেট অমগী ক্লবতা শান্নবা তারবদি লাক্ষ অমা পীগে, অনী পীগে হায়বসিদা য়ানবগী মতুংইন্না সাইন তৌনরগা শান্নবসু য়ারে। হিরো আই ৱিমেন্স লীগকী মরিশুবা সিজন ওইরিবা, হন্দক্তা লোইশিনখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টতুদা কেরলাগী গোকুলম টিমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শান্নখিবা প্লেয়রশিংদি লুপা লাক্ষ অনীদগী তাদবা ঙাক্তা ওইখি।

লীগ রাউন্দদগী হৌরগা গোকুলম টিমগীদমক ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা হেক হৌবদগী শান্নরকখিবশিংদি মখোয়গী ওইবা অরেপ্পা শেনফম অমসু অদুম লৈজে। অদুনা, ঐনা খঞ্জবদা গোকুলমগী ওইনসু গোলকিপর ওইখিবা অদিটি চৌহান, ফাইনেল নুমিৎতা অহুমশুবা গোল চন্দুনা টিম ৱিন্নর ওইহনবদা চাউনা মতেং পাংখিবা নেপালদগী সবিত্রা ভন্দারি, মণিপুর মচাদগীনা য়ুম্নাম কমলা... মখোয় খরসিদি লাক্ষ অনী য়ৌখি।

অমরোমদা ঐগী ওইনদি, হন্দক্কী আই লীগ অদুদা হেক কাঙবুনসু ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎপীদুনা ফেব্রুৱারী ২৯দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি। মদুগী চৎথোক-চৎশিনগী টিকেটনচিংবসু হান্ননা থারকখ্রে। ঐগীদি মেচ মরিদুগী লুপা লিশীং হুম্ফুতরা ফংগনি।

অমরোমদা, ফুটবোল্লর অমা ওইজরকপগী নুংঙাইবা খরা মতমগী মতুংইন্না লাকপসিসু তশেংনা হায়রগদি পুক্নিংদা অপেনবা পোকই। মসিগুম্বা খুদোংচাবা খরা অসি পুন্সিদা ফংগনি থাজরুদবা ঙাক্তনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না হৌখিবা চহী খরগী মমাঙ হায়বদি কুমজা ২০১৬/১৭তগী আই দল্লিয়ু লীগকা শিনবীরক্তুনা নুপী ফুটবোলগীদমক করিগুম্বা খরা তৌবীরকপসিমদি মণিপুরগী ওইনা



উখোক্লবগী মতম অমা লাকপসিদা ঐখোয়নসু কুপ্না শেন্নদুনা ইশা-ইশাগী খোঙফম খরদি শেমহৌবা চুমগনি। মতম চানা হোৎনহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অফবসু ওইগদৌরিবনি। মতাং মতম চানা শিনবীরকপা প্রোগ্রাম হায়বসিদি লোইনমকসু অফবা হেক্তা ওইগল্লি। পুন্সিগী অহানবা ওইনা ফুটবোলদা খোঙদাজরকপা মতম কুমজা ২০০১-০২ অসিদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না পায়খৎপা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা খোঙজোমগী তেকচমদা পাঙথোকখিবা অসিদসু ঐহাক য়াওজবা ফংজরকখি। মতমদুদা অম্ফাগী কোচ ওইনা সার একেন্দ্রগা মিস লোকেশ্বরিগা তেকচমদা লাক্তুনা ঐখোয়দা ত্রেনিং পীবিরকখি। হায়রিবা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদু য়াওজরুবদগী ঐখোয়দসু মমিং লৈবা ক্লব অমদা শান্ননীংবগী ৱাখল ফাওহনবা ঙমখি। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না হন্ট তৌদুনা পুথোকপীরকপা প্লেয়র অমা ওইনা মখা তারকপদদি ঐহাক ইষ্টর্ন ক্লবতা লাকচখি। লোয়ননা কুমজা ২০১২-১৩ দা অম্ফানা ষ্টেটসিগী খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা চহী খুদিংগী কায়দনা পীবিবা মনা 'ফুটবোল্লর ওফ দ য়র' গী এৱার্দসু ফংবা ঙমজখি।

অদুগা, ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা পুন্সিদা থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাইগী মতাংদদি ঐনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৪দা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চিওন্দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা এসিয়ন গেমসকী মতাংসি পঞ্জনীংই।

ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওজদুনা এসিয়ন গেমস শান্নবা ফংলগনি হায়বা মীৎকুপ্তুমদি য়াম্না নুংঙাইবা ওইখি। অদুবু চৎত্রিঙৈগী মমাঙদা থেংনখিবা নীংজিং-মাংজিংনবা থৌদোকশিংদুদি য়াম্না নুংঙাইখিদে। ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস মমাঙদা ঐখোয়সি চাইনাদা টুর প্রোগ্রাম ওইনা ফ্রেন্দলি মেচ খরসু শান্নবা লাকখি। চাইনাদা লৈবা মতমসিফাওবা ঐখোয় এসিয়ন গেমস য়াওবা চৎকদ্রা চৎলোইদ্রা হায়বসি লৈখায় তাবা ঙমখিদে। মমৈদা লাষ্ট মিনটতা ইঞ্চিওন তম্না লাকখিবা খোঙচৎতু পুন্সিদা কাউঙম্লরোইদবা য়াম্না নুংঙাইজবা মীৎকুপ ওইখি।

...মথং মথং...



## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

হৌবদগী য়াওবা ঙমজখিদে। রাজস্থান্দা তৌখিবা ফুটবোলগী অখন্নবা কোর্স অমা চৎপগী মতমগা ফাংজিন্নদুনা শুপ্পগী লীগ মেচ অনীগা সেমিফাইনেলগা, ফাইনেলগা মেচ মরিখক্তমক শান্নবা ফংজখি। গোকুলম কেরলাগী ওফিসিয়েল খ্বাইদগী লাইবক ফবা অমনি। ষ্টেটসিগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী ওইনসু লম্বী অমা শেম্বীরকপনি হায়না ঐদি লৌজে।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ক্লবতা য়াওদুনা শান্নরগা মণিপুর মচা ঐখোয়গী তোঙানবা শক্তম অমা

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।



৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিকচাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্লরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কুমজা ২০২২দা কম্মনৱেলথ শুট্টিং এন্দ আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ইন্দিয়ানা ওইরগনি

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

কম্মনৱেলথ গেমস ফেদরেসনন্না ঙসি লন্দনদা ফোঙদোকখিবা অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা কম্মনৱেলথ শুট্টিং অমসুং আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

চহী অদুমক্তদা গ্রেট বৃটেনগী সিটি বিরমিংঘমদা পাঙথোক্কদবা কম্মনৱেলথ গেমসতা শুট্টিং দিসিপ্লিন য়াওরোই হায়রকপদগী ইন্দিয়ানা গেমস অদু বোইকোট তৌবগী খোঙজং চঙশিল্লুরবা মতুং নাকল অনীনা য়ান্নবা পুরকপদগী চহী অদুমক্তদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা কম্মনৱেলথ শুট্টিং অমসুং আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপগী খোঙথাং অমা লাকখিবনি।



কম্মনৱেলথ গেমস ফেদরেসনন্না থা অসিগী ২১দগী ঙরাং ফাওবা পাঙথোকখিবা একজিক্যুটিব বোর্দকী মীফমদা কুপ্না নৈনরবা মতুং কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কম্মনৱেথল শুট্টিং অমসুং আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ওইগদৌরি।

ইভেন্ট অনী অসি কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদা ইন্দিয়াগী সিটি চান্দিগরদা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি। কুমজা অদুমক্তদা জুলাই ২৭তগী ওগষ্ট ৭ ফাওবা ব্রিমিংঘম সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলথ গেমস অদুগী অপুনবা মেদল টেলি অদুদা চান্দিগরদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেলথ শুট্টিং অমসুং আর্চরি চেম্পিয়নশিপকী মেদল টেলি অদুসু হাপচিনগনি হায়না ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা বংলাদেশপু রন ১৮দা থোইদুনা গ্রুপ 'এ'গী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরি



পর্থ, ফেব্রুৱারী ২৪(এজেন্সী):

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপকী ঙসি পর্থতা লৈবা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট এসোসিএসন গ্রাউন্দদা গ্রুপ 'এ'গী ইন্দিয়ানা শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা বংলাদেশকী টিমবু রন ১৮দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরি।

মেচ অদুগী টোস বংলাদেশকী কেপ্টেন সলমা খাতুলনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিমগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১৪২ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস ঙসিগী মেচ অদুদা য়াম্না ফজবা ওইখিদে। ওপনর তানিয়া ভতিয়া শুপ্পগী রন ২দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা জেমিমা রোদ্রিগেস অমসুং সফালি বর্ম্মনা মথং শীৎনা রন ৩৪ অমসুং ৩৯ লৌবা ঙমখি। মদুদা ওপনর সফালি বর্ম্মনা য়াম্না ফজবা মওংদা শুপ্পগী বোল ১৭তা সিক্স ৪ অমদি ফোর ২ য়ৈবা ঙমখি।

মহাক্কী আউট ওইখ্রবা মতুংদা শান্নবা চঙলকখিবা বেটচৱিমেনশিংগী মনুংদা কা হেন্না ফজবা ঙমখিদ্রবসু ৭শুবা বেটচৱিমেন বেদা কৃষ্ণমুর্তিনা বোল ১১দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২০ লৌবা ঙমখিবা অদুনা পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা বংলাদেশকী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা মায় পাক্নবগীদমক্তা ওভর ২০দা রন ১৪৩ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী বেটচৱিমেন ৮ আউট ওইখিবদা শান্নবগদবা ওভর মশিং লোইখিবগা লোয়ননা স্কোরবোর্দতা রন ১২৪ খক লৈখিবনা মরম ওইরগা মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ১৮দা থোইখিবনি।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী হৌরকপদা ওপনর সামিমা রন ৩দা আউট ওইখ্রবা মতুং মখা তারকপা শান্নরোয় অনীনা কন্না হোৎনদুনা রন ৪২ ফাওবা য়ৌহল্লবা মতুং থেংখাংকয়াদা ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা বংলাদেশকী বেটচৱিমেনশিং অদুগী অচৌবা পার্টনর্সিপ অমত্তা শেম্বা ঙমহনখিদবা অদুনা মেচ অদুদা বংলাদেশকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটচৱিমেন ৮ আউটওইরগা রন ১২৪ খক লৌখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়ানা স্রি লানকাগী টিমবু ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখি।

# রিএল কাশ্মির এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু অকনবা লম্বা অমদা ১-০দা থোইরবা মতুং টেবলগী ৫শুবদা লৈখ্রে




স্রিনগর, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা ২শুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা রিএল কাশ্মির এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।



ঙসি স্রিনগরগী টি আর সী পোলো সিন্থেটিক টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচ অদুদা য়ুম্বু ওইখিবা রিএল কাশ্মিরনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনন্না নহা ওইবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা টিম অমা শেমগৎলিবা ইন্দিয়ন এরোজপু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি।


ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা রিএল কাশ্মিরগী টিম মেচ ১১ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ইন্দিয়ন এরোজগী টিম লীগ অসিদা পুন্না টিম ১১না লম্বা তৌনবা অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ১২ শান্নবা লোইশিনখিবদা শুপ্পগী মেচ ২ খক মায় পাকখিবা লোয়ননা মেচ ২ দ্রো চৎলগা মেচ ৮ মায়থীরবা মতুং পোইন্ট ৮ খক ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

নহা ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজকী শান্নরোয়শিংগী ওইনদি মাংজবা অমত্তা লৈতে। মখোয়না সিনিয়র থাক্তা শান্নরিবা ক্লবশিং অদুগা লম্বা তৌনদুনা ইন্দিয়াগী মখা তারকপা সিনিয়র টিম শেম্বগী লম্বেলদা এক্সপিরিয়েন্স তান্ননবা শান্নরকপনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা রিএল কাশ্মিরগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পীবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নখিদে। মেচ অকী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা পুংখাই ফারমদাই ৭০শুবা মিনটতা রিএল কাশ্মিরগী মায়কৈদগী এম রোবার্তসনন্না পীরকপা বোল অমদা বি অরমাননা পাঞ্জল চল্লগা ১-০দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 13 | 10 | 2 | 1 | 30 | 11 | +19 | 32 |
| 2 | Punjab | 13 | 5 | 6 | 2 | 18 | 15 | +3 | 21 |
| 3 | Churchill Brothers | 12 | 6 | 1 | 5 | 21 | 17 | +4 | 19 |
| 4 | East Bengal | 13 | 5 | 3 | 5 | 20 | 16 | +4 | 18 |
| 5 | Real Kashmir | 12 | 5 | 3 | 4 | 13 | 11 | +2 | 18 |
| 6 | Gokulam Kerala | 12 | 5 | 2 | 5 | 16 | 16 | 0 | 17 |
| 7 | Chennai City | 13 | 4 | 4 | 5 | 15 | 18 | −3 | 16 |
| 8 | TRAU | 14 | 4 | 4 | 6 | 14 | 24 | −10 | 16 |
| 9 | NEROCA | 14 | 4 | 3 | 7 | 21 | 29 | −8 | 15 |
| 10 | Aizawl | 13 | 3 | 6 | 4 | 15 | 16 | −1 | 15 |
| 11 | Indian Arrows | 13 | 2 | 2 | 9 | 6 | 16 | −10 | 8 |

# চিলিগী কৃষ্টিয়ানো গরিননা ইটালিগী গ্যানলুকা মগরবু মায়থীবা পীদুনা রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী টাইটল লৌখ্রে



ব্রাসিলা, ফেব্রুৱারী ২৪(এজেন্সী):

ব্রাজিলগী সিটি ব্রাসিলাদা লৈবা জোকি ক্লবতা থা অসিগী ১৭তগী শান্নবা হৌখিবা রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচতা চিলিগী কৃষ্টিয়ান গারিননা ইটালিগী গ্যানলুকা মগরবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ চিলিগী কৃষ্টিয়ান গরিননা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা ক্রোসিএগী বোরনা কোরিকপু সেমিফাইনেলদা ৬-৪, ৭-৫তা থোইখি। নাকল অমরোমদা মহাক্কী ফাইনেল লম্বা ওইখিবা ইটালিগী গ্যানলুকা মগরনা হঙ্গেরিগী এটিলা বলাসপু ৭-৬ (৭-৪), ৭-৬, ৭-৬ (৭-২)দা থোইরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদু শান্নরোয় অনীগী লম্বা লাকশিন্নবা ঙম্নখিদে। অহানবা সেট কৃষ্টিয়ান গরিননা টাইব্রেক্তা ৭-৬ (৭-৩)দা থোইরবা মতুং ২শুবা সেটতা মখা তানা গারিননা ৭-৫দা থোইদুনা সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলসতা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা স্পেনগী মার্সেলো গ্রানোলর্স অমসুং অর্জেন্টিনাগী ঐচ জেবালোসনা ইটালিগী পেয়র এস কারুসো অমদি এফ গাইয়োবু সেট ২-১দা, ৬-৪, ৫-৭, ১০-৭দা থোইদুনা দবলসকী কাংলুপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।

# ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু অহানবা টেষ্ট মেচতা য়াম্না হেনবা মওংদা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীদুনা সেরিজ মাংজিল থাখ্রে

ৱেলিংটন, ফেব্রুৱারী ২৪(এজেন্সী):

থা অসিগী ২০দগী ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ৱেলিংটনদা লৈবা বেসিন রিজার্ব ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌখিবা ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অদুগী অহানবা টেষ্ট মেচ অদুগী ঙসি ৪নিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়া ন্যু জিলেন্দগী মখুৎতা য়াম্না শোত্থনা ৱিকেট ১০দা মায়থীবা নংখ্রে।



মেচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী বেটচমেনশিংনা অহানবা ইন্নিংস অদুদা য়াম্না শোনবা মওংদা শুপ্পগী রন ১৬৫দা বেটচমেন ১০মক আউট ওইখি। অজিনকিয়া রহানেনা রন ৪৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। ন্যু জিলেন্দগী বোলর টিম সাউথ অমদি কাইল জেমিসনন্না ৱিকেট ৪/৪ লৌবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ৩৪৮ লৌবা ঙমখি। কেপ্টেন কেন ৱিলিমসনগী রন ৮৯না খ্বাইদগী ফজবা ওইরবসু রোজ টেলরগী রন ৪৪, কাইল জিমিসনগী রন ৪৪, কোলিন দি গ্রানহোমগী রন ৪৩, ট্রেন্ট বোল্টকী রন ৩৮ অমসুং তোম ব্লুনদেলগী রন ৩০না মপুং ওইরগা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতগী রন ১৮৩ হেন্দুনা লৈখি।

মদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ন্যু জিলেন্দগী বোলর টিম সাউথি অমসুং ট্রেন্ট বোল্টকী এটেক্তা রন ১৯১খক লৌখি। ন্যু জিলেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা মায় পাক্নবা রন ৯ অদু বেটচমেন অমত্তা আউট ওইদনা লৌবা ঙমখিবদগী অহানবা টেষ্ট মেচ অদু ৱিকেট ১০দা থোইরগা মেচ অনীগী সেরিজ ১-০দা মাংজিল থারি।